ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯰꯲, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯷ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, দিসেম্বর ০২, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ২৪৭শুবা মশীং

# মীয়ামগী মীহুৎ

## অরানবা পান্বে শীজিন্নবশিংদগী চেকশিনসি

তাঙ্কক কয়াদা মরোল-মরোল লৈরিবা ষ্টেট অমসুং সেন্টরদা পব্রার পায়গদবা মীহুৎশিং মীয়াম্না মীখলদা খল্লি। ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী এসেম্বলিশিংগী মীহুৎ - এম এল এ, লোক সভাগী এম পিশিং মীয়াম্না মীখলদা হকথেংননা খল্লি। রাজ্য সভাগী মেম্বরশিংনা মীয়াম্না খঙবা এম এল এশিংনা অমুক খল্লি। হায়রিবা ষ্টেট অমসুং সেন্টরগী লৈঙাক চুপ্পি পায়গদবা বোদিশিং অসিগীদা নত্তনা অর্বান লোকল বোদি অমসুং লোকল সেল্ফ গভর্ণমেন্টশিংগী মীহুৎশিংসু মীয়াম্না হকথেংননা মীখলদা শরুক য়াদুনা খল্লি। থৌওংশিং অসি লৈবাকসিনা জন্যুৱারী ২৬, ১৯৫০দা মপুং ফাবা রিপব্লিক অমা ওইরকপদগী পাঙথোক্লিবা মীখলশিং অসিগী মতংনি। ঙসি ফাওবদা পরিং নাইনা লেপ্তনা চথরক্লিবনি। অদুগা চংনরক্লিবা দেমোক্রেসিগী মশক অসি নীংখাইরক্তুনা পুমতোই-তোইরগা অনৌবা লৈঙাক্লোন অমনা মহুৎ শিন্দ্রিবা ফাওবদি অদুম্মক চংনখিগদবা চংন-কাঙলোননি। মসিমক্কুনি হৌজিক মতম লোইশিল্লক্লবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলি অসিগী মহুৎ শিন্নবগীদমক ১২শুবা মীখল পাঙথোকপগী থৌরাংশিং লৌথৌলক্লিবা। খৃৎনা লাম্বা ফংজিল্লক্লবা অনৌবা মীখল অসিগীদমক পোলিটিকেল পার্টিশিং, মখোয়গী টিকেটতা মীরেপ ওইনীংবশিং অমসুং ইন্ডেপেন্দেন্ট কেন্দিদেটশিংনা অঙম্বা পাঙ্গল অমসুং অরৈবা পান্বেশিং শীজিন্নদুনা ইলেক্সনগী কেম্পেইন চথরক্লি। তৌফম থোকপনি, অনৌবা মীখল অমা পাঙথোক্লকমদাইগী ওইবা মচৎনি। অদুবু পাঙথোক্লগদবা মীখল অসিগী মতাংদা হৌজিক ভোটর মীয়াম্না য়াম্না চেকশিন্না য়েংহৌগদবসি লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী ৱাংলবা মেম্বর অমা ওইবগী চৌক্রিদা ফম্বা ফংনবগীদমক মীয়ামগী পাউখোল্লোই ওইগনি হায়দুনা চোঙথোরক্লিবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ভোটরশিংদা মশাগী মশক মপুং ফানা তাকথোক্তুনা থম্মোয় শেংনা ভোট পীবিয়ু হায়জরদবা, মীয়ামগী মীহুৎ ওইরগা মহাক্না তৌনীংবা অরোনবা অমসুং মরম্নাইগী ওইবা থবক (এজেন্দা) শিং লৈজবা, অরানবা পান্বেশিং শীজিন্নদুনা সোসল ৱার্করগী মায়খুম উপ্পা মীওইশিং য়াওব্রা হায়বসি কৃপ্পা থিদোকহৌবা চুমগনি খল্লি।

হায়রিবা মীওইশিং অসিদি হৌজিক লৈবাকসিদা চংনরিবা লৈঙাক্লোন, মীরেপ-মীখল, এম এল এ অমনা তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবশিং মনুং-থিংনা খঙলোই, খঙনবসু হোৎনরোই, হোৎননীংবসু পোক্লোই। দেমোক্রেসিগী, ইলেক্সনগী মতাংদা মপান্থোংগী ওইবা ৱাফম খরদমক খঙলগা মনানা হৈমাং শাবগী ফীভমদা থোরক্কনি। মশাগী অশেংবা মশক লোৎশিন দুনা উৎথোক্তনা মীয়ামগী পাউখোল্লোই ওইবগী মায়খুম উপ্তুনা থোরক্কনি। মঙক নৌথরক্কনি, মকোক নোন্থরক্কনি, মখোল নুংশিরক্কনি। ভোটর খুদিংগী মখোঙদা তুদুনা খুরুম্বদা অমসুং মখূৎ লোন্নরকপদা ইকায়রোই। মখোয়গী টার্গেটতি মীয়ামগী মীহুৎ অমুক্তং ওইহৌবনি। তঙাইফদনা এম এল এ ওইহৌবা খক্তনি। মরমশিং অসিনা হান্নসু মীখলদা মায় পাক্তুনা মীহুৎ ওইখ্রবশিং অদুসু হৌজিক মখোয়গী পূক্নিং ৱাখল, অপাম-পামদা করি করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বগী মতাংদা মনুং থিংনা খঙদোকপগা লোয়ননা চপ মান্নবা চাংদা নৌনা মীরেপ ওইগনি চোঙথোরক্লিবশিংসু মাঙজৌননা খঙহৌগদবনি। মরমদি মখোয়বু মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা থাগৎখ্রবা মতুংদা মখোয়দা শিন্নখিগদৌরিবসি লৈবাক মীয়ামগী শাংলবা চহী ৫গী থৌদাংনি। মখোয়বু মশক খঙহৌদনা মীয়ামগী পব্রার খূৎশিন্নখ্রবা মতুংদা ফিদমদগী মীশক্লা লুবা, চিনগা খূৎকা মান্নদবা, অৱাংলোমদা খুদোম্বী থিল্লগা মখারোমদা চৎখিগদবা মীওই ওইরম্লগদি হৌজিক ষ্টেটসিদা লৈরিবা মীয়ামগী ইস্যুশিং অসিগী মীয়াম্না য়ানবা ৱারোইশিন পুরকপদি লায়রদনা পুরক্লবা হোৎনবা ফাউবা ঙম্লোই। চাওখৎ-থৌরাংগী থবকনি হায়বশিংবুদি তৌরক্কনি অদুবু মঙম শাল্লোই। থবকশিংদু পায়খৎলিবা খূৎতুগী কারক্তা অহোবশিং লৈরক্কনি। সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক চাওখৎনবা থবকশিং পায়খৎলকপদা অচৌবা মতেং ওইবগী মহুত্তা খুনু মখোঙ শন্নৌবগুম থোকহল্লক্কনি। মরম অসিনা হৌজিক পাঙথোক্লগদবা মীখলসিগী নোটিফিকেসন থোক্তুনা ভোট থাদনবগী মতম লেপকদবা ৱাৎলিঙৈসিদা তরেৎ-তরা থোক্লা খন্নবগা লোয়ননা মীরেপশিং অসিগী অশেংবা মশক খঙদোকহৌবা চুমগনি হায়নীংই। নুংতিগী হিংবদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিংগীদমক্তনি হায়দুনা অরেম-অপা খরা ফংলগা, শেল খরা ফংলগা চহী ৫গী মমল য়াল্লবা মীয়ামগী রাইট য়োন্থোক্কুমসি। ষ্টেটসিগী অমসুং লৈবাকসিগী লৈঙাক্লোন্দা ভোটর মীয়ামগীসু খ্বাইদগী চাওরবা থৌদাংশিং লৈ হায়বসি কাউথোকহন্নীংদে।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩১

১) ***"শীঙেন নাচোম"*** হায়বা কুমজা ১৯৩৯দা অহানবা ফোঙখিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"তমথীবা নোংলৈ"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা, করি লোলগী লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **"ৱাখলগী মরোল মরোল নাইরবা চেনাশিং/আশাগী ৱাংখৎখ্রবা তেলঙ্গাশিং/কোয়লৈ কোয়লৈ/অকনবা নুংশিৎনা/হুমদোকখ্রি অসুম ইকুম ওইনা/থম্মোয়নুংদগী/মৱূ ফূকখ্রি মঙলান য়াওনা।"** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগীনো?

৪) ***"পোইরৈ নাৎকী ৱারেং"*** হায়বা লাইরিকঅসিগী অইবা কনানো?

৫) ***"কেকু লোৎপী"*** হায়বসি অইবা কনানা ইবা, করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩০গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

***১) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৪,৫)***

২) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (৪,৫)

৩) অকোইজম নোংমাইনিংথৌ, খুন্দ্রাকপম মখা লৈকায়- (২,৪,৫)

৪) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিংসন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স (৩,৪)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৩০গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৩০গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৫৪

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

**চাইথোরকপা ৱাখল**

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

শুমাং লীলা হায়সি সিজন খরা লৈ। মদুগী মনুংদদি কনাগী অনা অয়েক্পা অমত্তা খঙবা জাৎ নত্তে। য়ূমগী ইমা ইপা অনা অয়েক য়াওরফাও লীলানা লুই হায়দুনা লীলা চৎপনি। অদুগুম্বা সিজনদুগী মনুংদা খরা ঙল্লিঙৈদদি, - য়াওশঙ, কালেন লাই হরাওবা, ইঙাগী কাঙ, নিংঙোল মচা পালি, দুর্গা পুজা, নিংঙোল চাক্কৌবা, লৌ লোকপা লোইশিল্লকপদা লীলাগী চেরিটি ময়াম তৌনরকপা, মরকসিদা লুহোংবগী, ইপান থাবগী, নাহুৎ নারেংনচিংবা অমা মসিগী মতমসি লীলা য়াম্না চৎলি। অদুবু হৌজিক্তি কয়া তৌনদ্রবা মাল্লি। ঐখোয়গী মতমদুদদি য়াম্না কূঙনা তৌখ্রজাৎনি। নিংঙোল মচা পাল্লিগাইসি নোংমতগী থৌরমনি অদুবু ঐখোয়গী লীলাদি ঐখোয়গী অশংবা মতম য়েং য়েংদুনা থা অমা ফানিংচিৎ লীলাসি তৌবনি। ফাইরেনগী সরস্বতি পুজা গাইসি লীলা কুংখ্রজাৎনি, অয়ূক পুং ৮দগী হৌরিনি। অদুনা মরী মরী চৎখিবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবদা লীলা অহুম নৎত্রগা মরি শান্নরিনি। অদুগা নুমিৎতুসু চোন্থরগা স্কুল-স্কুলশিংদা হাপ্তা অমরোমদি শংদখৈ শান্নে। বিশ্বকর্ম্ম পুজা হায়দুনা অমসু লৈ। মসিসু লীলা য়াম্না কৌনৈ। কনাগী গাড়ী ৱার্কশোপ, পি দব্লিয়ু দি, এম এস আর টি সী, পুলিস দিপার্টমেন্ট, এম আর য়ামখ্রজাৎনি। ময়ামসিনা কৌবসি ফংনদদুনা নুমিৎ নীনি হুমনি চোন্থরফাও য়াম্না শান্নে। ওফ সিজন হায়বা কয়াবু লৈরক্তে। হেক হাঙবগা অনৌবা লীলা অমা পুথোক্লবা হোৎনবা, মদুদা পূক্নিং অমুক লুপথবসিনি, অদুনা অয়াম্বা মতমসি শুকশং শংনদে।

কনাগুম্বা লীলা কয়া চত্তবা পার্টিদদি লীলাসি চৎনদ্রবনিনা সিজনগী ৱা হায়বা থোইনা লৈনদে। ঐখোয়সু অদু মঙাই, লীলা পুথোকপদা খজিক্তং চেকশিলহৌদবদা মীনা পান্নদবা লীলা পুথোক্লুরদি ওফ সিজন অদুম তারে। লীলা চৎত্রে। অদুনা লীলাসি কক-কক লাউবা পুথোক্ত্রদি ঐখোয় হিংবা ৱাই। শোয়বদগী লীলা চৎত্তবসি য়ূমদগা লৈবা হৈনদে। অহিং তূম্বা য়াদে। য়ূমদা লৈরেগাইনা নুংদাং ঙন্তা তূম্বসি শুকহে হৈনদে। য়াম্না নোক্লিংঙিদি, লীলা চৎলি চৎতে হায়সি ইরায় লায়না খঙবা অমা লৈ। মীগী মমাঙদা ঐখোয় লীলা চৎলি হায়জিল্লসু নুপী শাবী য়েংবদদি চৎলি চৎতে হায়সি খঙই। নুপী শাবীনা মকোয় চোম্মবা লীলা চৎত্রবনি। ফনা য়াম্না হায়জিল্লসু য়ারোই। লৈদি লৈখিদ্রে, মমিং য়াম্না চৎপা, হেরোইন কুম্বদা য়াম্না পান্নবা দেবদত্ত হায়বা আর্টিষ্ট অমা লৈরম্মী। মাসি নুপী শাজে হায়বৈ ৱাদনি, মকোয় য়াম চোম্মী। মাগী মকোয়সি নুংতিগী ফান্দ্রদি য়াদে। অদুগা মেমথোইবী শাবী হায়না মীয়াম্না খঙনবা কোমোলসু মকোয়সি খরা চোমগল্লি। অদুবু কোমোলদি লীলা চৎকনি হায়রদি ময়ূমদগী মকোয় সিৎ নান্না ফাল্লগা লাকই। অয়াম্বদা মাদি মশাসু য়াম্না নানজৈ, মমায় মমিৎ তরু তনান্না লৈ। দেবদত্তসিদি খরা পাকথোক চাওথোক্কনবা ওইনা তৌরদুনা, হৈনীংলগা লীলা চৎলমদাইদা ওফিসতা ময়াম চৎলসি চৎলসি হায়নরদি মকোয় হেক্তা ফাল্লকই। অদুসু ময়াম্না থেংঙে হায়না লাউনরিনি। অয়াম্বদদি লীলা ফি শেৎফমদা মকোয়সি হেক্তা ককপা হৌরকই। মদু ঐনদি য়াম্না শাওজে। মীগী মমাঙদা নকোয় ককপদু য়াম্না নুংঙাইতে। নয়ূমদগী কল্লকপা য়াদ্রা হায়না হেক হেক ঙাঙলিবনি। লীলা ফি শেৎফম হায়সিদি ঐখোয়না হেক য়ৌবগা অঙাংদগী করিদগী ময়ামসিনা হেক্তা পুময়োম য়োমখৈ য়েংলিবনি। লীলাগী ফি শেৎপা য়েংবসি কয়াম নুংঙাইবনো খঙদে। তান্থোক্লসু পুখ্রিদা লৈবা কঙ মচাগুম্বনি, শ্বাই হেক মাঙখিনি, হেক হঞ্জিল্লকপগা অমুক জুরু লাউনা ওমশিল্লক্কনি। মদুগী মমাঙদা নুপী শাদৌরিবা, অদুসু হেরোইন শাদৌরিবদুনা মকোয় ককপদু উবদা ময়াম্না নোকনৈ। অদুগীসু মথক্তা নুপী ফজনা শারগা থোরকপদা, "মসিগী নুপী শাবীসি হৌজিক্তা মকোয় কোকখিবনি" হায়না ৱা ৱা লাউনা নোকনৈ। মাগী ৱারীদা ঙাইহাক তৌনৈ। অদুদি কাইদগী লীলাদু নুংঙাইগনি। অদুনা লীলা ফি শেৎফমদা নুপী শাবীনা কোয় ককপসি ঐ য়াম্না হৈনদে। অদুনা স্পেসল্লি মখোয়দা ঐনা হেক হেক হায়জৈ, য়ারিখৈদি অদুগুম্বদু তৌবীনু হায়না। হায়না হায়না অদুম তৌই। মসি ফজদবা অমনি হায়না ঐনা খল্লি। অদুবু করিদি পান্বে লৈ।

লীলাগী ফি শেৎপগী ৱারী তৌরিঙৈসিদা খরগা অমুক লীজগে। লীলাগী ফি শেৎপা য়েংবসি অঙাংখক্তা নত্তে, অহলসু য়াম্না য়েংই। মদুগী মনুংদা নুপা-নুপী ইশু শুখৈ য়েংলিবনি। লৈশাবী ফাও য়েংই। মরমদি মতমদুদা মেক-অপ তৌবা হায়বসি কয়া লৈতে। মখোয়সু চখোক খোত্তোকপদা মীৎতা কাজল থাবা, লিপষ্টিক তৈবা, পাওদর থাবা থানরি ঙাক্তনি। হৈত্রদি মদু ফজনবা য়েকপরা, তৈবরা হায়ববু হেন্না থিহন্নবৈ মচাক ওই। অদুনা নুপী শাবীনা মেক-অপ তৌবসি মখোয় য়াম্না য়েংনীংই। অদুগীসু মথক্তা ঐখোয়গী মেক-অপ বোক্সকদু পুথোক্তুনা সিনা করিনো সিনা করিনো হায়না পায় পায়দুনা হংলিবনি। হৌজিক্কানদি লোইনা হৈনরে। মতমদুদদি মেক-অপকী আইদিয়াসি কয়া লৈনদে। খরা লাপথোকখ্রগদি অঙকপা অমা ওইনা খন্নরিবনি। নুপী শাবীনা ফজবসিসু ফজৈ কো। মসিদি ঐখোয়না হায়জিনবা নত্তে। ময়াম্না খঙবীরিদুনি। অদুনা লৈশাবীশিং, মৌশিংনা মেক-অপ তৌবসি য়াম্না য়েংনৈ। নুপী লীলা হৌরমদাই, মেক-অপ লোইরগা ফিরোল শেৎচিনবা মতম হায়বদি জেন্দর ওল্লমদাই মতমসিদদি ফি হোংলগে নোই চৎলো হায়না লৈশাবীশিংদু তাল্লিবনি। মখোয়সু ৱা ৱা নোক্লগা থোকখ্রিবনি। পাখঙ মচাখৈদি চেপথ-চেপথরগা য়েংলিবনি। নুপী শাবীশিংনা ফি অচৌবা অমনা মশাদু ইনশিল্লগা মাগী মাগী ফুরিৎকদু মকোক খুমজিল্লগা লিৎনরিবনি। ফিদু হাইদোরকপদা নুপী ওল্লগা লৈরম্বদা ময়ামসিনা ৱা লাউনা নোকইবনি। নুংঙাইখ্রবা কুম্মৈনি। অঙাং খরা অমদি লীলা ফি শেৎফমদা অহাও অথুম খরা লাইদা কৎপদু চাগদগী ঙাইবসু য়াওরিবনি। মতমদুদা মেক-অপ তৌনদ্রিঙৈগী মমাঙদা ঈশিং অশেংবা খিক্তোল্লগা, হৈঙান, কবোক, অতৈ অহাও অথুম খরা কৎনৈ, হৌজিক্কানদি তৌনদ্রবরা খঙদে। মদু লীলা হৌরমদাইদা কাইথোল্লগা পার্টিদু মচেৎ মচেৎ চাই। অঙাংশিংসু থুংই। অঙাংশিংনা অয়াম্বসু নত্তবদুদা খিত্তং চাজবা, শরুক থুংবীরকপদুদা হরাওজরিবনি। অদুনা মমৈদদি ঐখোয় কবোক্তা ওইরসু খরা খরা য়াম্না কৎলি, ময়াম থুংনবা হায়দুনা। ঐখোয়না লীলা তৌরকপা হৌরকপদা য়াম্না চেকশিল্লি। ফি শেৎফমদা লাই খুরুম্মী, লীলা হৌরমদাইদা খুরুম্মী। য়াম্না চেকশিন্না লীলা শান্নে। লীলাগী ফি শেৎফম ময়ায়দা মী অমত্তা কান্দুনা চৎনদে। অঙাংশিংনা কানবা য়াওরসু হন্দোকউ হায়দুনা হন্দোকহল্লিবনি। য়াম্না লুনা লৌজরকই।

খরা ঙল্লিঙৈদদি, ঐদি লীলা ফি শেৎপা য়েংবা লাকপশিংদগী পোৎ য়াম্না ৱাইরগা শীজিন্নে। জেকেট, আনোক, ঘড়ী, পেতি ঐনা ৱাইদবা লৈতে। নোংমা নোংমগীনি, য়াম্না ফজবা আনোক্সু উপ্পকপা য়াওই। মদু ঐনা নঙগী আনোক্তু ফজনি, ঐ অমুক্তা উপ্পুগে হায়বদা হরাওনা পীরকই। তুপীসিসু উপ্পু হায়দুনা অমনা থোক থোক লানশিল্লকই। অদুনা নহারোল মখোয় মরি-মঙাগা লাকমিন্নবশিংদুনা মোই মোইগীসু অমমম শুনবা ৱাইয়ু হায়না মথং মথং পীশিল্লকই। ঐনা চাইগা চাদেগা তৌবদা মোইনা কোয়চেন চেল্লগা ঐঙোন্দা চাগদৌবা জেকেটকা ৱাইবীরগা পুরকই। ঐনা মদু শেৎ-লিৎলগা, পেতিগদু ফারগা থোরকপদুদা মোইনা কোয়তান তান্নরগা য়েংজরিনি। ঐগীদি লৈবা ঙমদবদগী মোইদগী ৱাইরিনি। অদুনা ঐ আনোক অমত্তা লৈরক্তে। উপ্পদি ফজনা ফজবা নুংতিগী অদুম উপ্পী। লৈশাবীশিংনা কৌবা লীলা ওইরসু, ঐনা অমা কৌশিল্লগা আনোক সনগ্লাস অমত্তা ৱাইগে হায়বদা অনী অহুমদুম পুরক্লিবনি। মোই মোইগী ময়ূমদা মবুংগী, মপাগী পুরক্লগা লাক্লিবনি। ঐদি য়াম্না ৱাইরকইদা। অদুনা লীলা ফি শেৎফমদা লাক্লিবশিংসি ঐগীদি মরুপ ঙাক্তনি। অপাম অপাম্বা য়েং য়েংদুনা ৱাইথবীনি। ফুরিৎ, কোট লোইনা ৱাই। য়াম্না নোক্লিংবা অমত্তগা মতাংসিদা নপশিঞ্জহৌগে। লীলা পার্টিগী খ্বাইদগী অৱাবসি খোঙ মোজাসিনি। খোঙ মোজাসি তাঙসু তাঙই। অদুগা খিত্তং পনবদা হেক্তা শেগাই। অৱাইবা ফুরিৎ ফজবা লিৎলনি, কোটসু লিৎলনি, আনোক, পেতি, ঘড়ী ফজ-ফজবা শো তৌদুনা লিৎলনি, অদুগা খোঙবী মপাদা মোজাদু শেগাইরগা খোঙবী লিৎথোক্লগা থোকপসিদি খোইদৌ শাওগৎখ্রজাৎনি। অদুনা চুম্না লেপ্পা ঙমদে, খোঙবীদু লিৎথোরক্তনবা শুজিন শুজিল্লগা চৎপদা ফীভম কায়বা য়াওরিবনি। ইশাদা ইহৈ হৈনদবা ফাওরিবনি। ঐগীদি মোজাসি কয়া লৈতবনিনা, খোঙবীসি হেক্তা শেগাইবা, অদুনা মোজাসি য়েত্তুম্না ফোৎল-ফোৎলগা তোংই। নোংমা ঐনা লীলা ময়ায়দা এক্টিং ফজনা তৌরগা ৱাগা ঙাঙলিঙৈদা মমাঙদা ফম্বা অঙাং অমনা ঐগী মোজা শেগাইবদগী খোঙবী লিৎথোরকপদুদা খুজিন্না কক-কক শিল্লকপদা ঐনা খংপ্রেক খংদুনা চোঙখৎলি। অদুদগী অঙাংদুনা নোক্লগা খোঙবী উরে হায়না হায়রকপদা ঐনা ইকায়খিবদু হৌজিকসু নীংশিংলি। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৯০

**উসম ধনঞ্জয়**

**জন্যুৱারী ২৯, ২০১০ ইং :-** মমা অমসুং মচেবু তমথীনা হাৎতোকপীখিবদগী সোনিকাগী মহৌশাগী পুন্সিদা অচৌবা চৈথেং পীরে। মতম পুন্নমক্তা ৱাহৈ অমত্তা হায়দনা মচি মচি খুদিংগী উংদুনা লৈবা, ৱা হংলবসু মঙক্তং হাইবা, কপসু কপ্তবা, ৱা ঙাঙথোক্তবা, হংদা হংলুরগা খঙদে হায়বনা সোনিকাগী পাউখুম ওইহৌরি।

সোনিকা মশাগী চহী ১৩ খক্তা ঙাইরিবী ফয়েং মখা লৈকায়দগী মীহাৎ থীনা হাৎতোকপীখ্রবী অঙোম ওংবী চানবীগী মচানুপীনি অমসুং অঙোম মেনকাগী মনাও নুপীনি। সোনিকা, দিঙ্কু (৯), রিতা (৬), মচিন মৌপ্পা মখোয় অহুম লৈহৌরি।

য়াম্না নীংথিনা হান্নবা প্লান তৌরবা মতুংদা চত্থখিবা চানবী অমসুং মেনকাগী মীহাৎ অসিনা হিংহৌরিবা সোনিকা, দিঙ্কু অমসুং রিতাগী পূক্নিং ৱাখলগী ফীভমদা অচৌবা চৈনা পীরে। লোয়ননা তুংগী পুন্সিদা তম্বা ঙমদবা ফীভম অমা মায়োক্লহল্লে।

মহাক্না হায়খি 'ইমাগা ইচেগা হাৎতোকপীখিবা অসি য়াম্না নুংঙাইতে। ইমাগা ইচেগা হাৎলগা হুন্দোক্লম্লে হায়বা অদুদসু ময়াম্না য়েংহন্দে। হকচাং ফুম্বা নুমিৎ অদুসু মঙদা উগনি হায়দুনা মশক য়েংহন্দে, তূম্বসু য়াদে, চাবসু য়াদে"।

দিঙ্কু অমসুং রিতাদি পীক্লিবা ওইবনা মমা অমসুং মচে লৈখিদবগী পূক্নিং ৱাখলগী অৱাবা ইফোঙ ফোঙদোক্ত্রি। সোনিকানা মখা তানা হায়খি, 'ইমাগা ইচেগা হাৎতোকখিবা নুমিত্তগী স্কুলসু চৎত্রে। লাইরিকসু পাদ্রে। লাইরিক্তি য়াম্না তমনীংই অদুসু পাম্বে লৈতে।"

সোনিকা, দিঙ্কু অমসুং রিতা হৌজিক হৌজিক য়ূমদা লৈরি। মবোকসু লৈখিদ্রে। মপুসু খোঙ ওই, খূৎ ওই পংথরগা বি পি ষ্ট্রোক তৌরগা লৈবদগী থাংদোক থাংজিন তৌরগা লৈরি। চাক ঈশিং থোংবা, মপুগী থৌগল তৌবা পুন্নমক সোনিকানা য়াম্না ৱানা তৌরি।

হৌজিক ওইরিবা সোনিকাগী ফীভমগী মতাংদা রিমসকী সাইকিয়াত্রিক দিপার্টমেন্টকী ডাক্তর লেনিননা ফোঙদোরকপদা কনাগুম্বা অমগী খ্বাইদগী নুংশিজবা অমসুং নক্লবা মী শিখিবা, মীহাৎ থীনা হাৎখিবা মতমদা লৈহৌরিবা মীওই অদুদা কৌবা ঙাঙবা তাদবা, তূম্বা চাবা য়াদবা হায়বসি মহৌশানা থোকই। অদুম ওইনমক মসিদগী খরা হেঞ্জিনখিবা এক্যুট ষ্টেজ রিয়েক্সন্দা তাখ্রবদি লৈমিন্নরিবা মীওইশিংনা ৱারী শাবীগদবনি, মথন্তা থাদোকপীরোইদবনি। তূম্বা চাবা য়াদবা, অখঙবা মীওই ফাওবা মশক খঙলক্তবা, ৱা ঙাঙদবা কয়া হেঞ্জিন্না লৈরল্লবদি পূক্নিং ৱাখলগী ওইবা অখঙ অহৈশিংগা তানবীগদবনি। করিগুম্বা মতম চানা লায়েংহৌদ্রবদি পূক্নিং ৱাখলগী ওইবা অনাবা দিপ্রেসননচিংবা অনাবা নারকপা য়াই। লোয়ননা পর্সনেলিটি দিসওর্দর ওইরকপা য়াই হায়না ডাক্তর লেনিননা মখা তারকখি।

চানবীগী মপুরোইবা চহী খরগী মমাঙদা মশাগী য়ূমমক্তদা হু থক্লুবদগী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি। মপা লৈখিদ্রবা মতুংদা চানবীগী মচানুপা অহল য়ূম থাদোক্তুনা চৎখিবদগী ঙসি ফাওবা য়ূমদা হঞ্জিল্লক্ত্রি। লৈকায়গী মীয়াম্না হায়বদা চানবীগী মচানুপা লালহৌবা লূপ অমদা য়াওখ্রে হায়। ফয়েং মখা লৈকায় ওইরবসু চানবী অমদি মচাশিংনা লৈরিবা য়ূম অদু য়ূমদোংপোক ওইনা তৌই। লৈকায়দগী খরা তোখায়না লৈ। মতম কুইনা অপীকপা কা অমখক্তং ওইবা ফীভম শোক্লা তেক-কায়বা য়ূম অমদা লৈরক্লবা মতুং কুমজা ২০০৮ হৌরকপদগী তিননা কূপ্পা উনা শাবা য়ূম অমা য়াম্না ৱানা শাদুনা লৈরকখিবনি।

য়ূম মনুং অদুদা উপু অমা ফাওবা লৈতে। ফীভম শোক্লবা কাংথোল অহুম, কাংখল, ইচায় চায়বা কা, অঙাংশিংগী য়ুনিফোর্মশিং, মফি-মরোলশিং অমসুং লাইরিকশিং টেবলদা ইচায় চায়না লৈরি। শুবা নোম্বা কনবী অমসুং মচানুপী মেনকানা য়াম্না ৱানা হোৎনজদুনা য়ূমদোংপোক ওইনা লৈবা য়ূম অদুদা হিংবা ঙম্নবগীদমক্তা ইঙ্খোল অদুদা কোবি, হঙ্গাম, তিলহৌ, হৱাই থরাক্লচিংবা এঙ্গাং-নাপি নিংথিনা থারি। য়ূম, ইঙ্খোলদু নীংথিনা শম্বল খাজিল্লি।

দিঙ্কুনা হায়, 'ঐখোয় ইমাদু জোব কার্দকী থক শুবা চৎলি। লৌ লিংবা, লৌ খাউবা চৎলি। ইঙ্খোলসু কোই। ইমাগা ইচেগা চৎখিবা নুমিৎতু হঙ্গাম থোংবা চাই। য়াম্না থুনা হল্লক্কে, য়ূমদা চঙ্ঙু হায়রম্মী ইমাগা ইচেগনা। য়েংবদা য়াম্না মমিৎ শিংবা, নীংশিংবগী শক্তি য়াম্না ৱাংবা, ৱা হংবদা নীংথিনা পাউখুম পীবা ঙম্বা দিঙ্কুনা মখা তানা হায়, "হৌজিক্তি লাইরিক তম্নিংদ্রে। তম্নবসু মিং চন্নিংঙাই শেল পুথোকপীনবা লৈতে। ঐখোয় স্কুলগী চহীগী এগজাম ফেব্রুৱারী অহুমদগী হৌগদবনি। অদুবু ইমাগা ইচেগা হাৎতোকখিবদগী লাইরিক তম্বা চৎত্রে। লাইরিকসু পাদ্রি।"

সোনিকা, দিঙ্কু অমসুং রিতা দোনবোস্কো ফয়েংদা ক্লাস ফাইভ, থ্রী অমসুং টু তম্লি। লৈখিদ্রবী মেনকা হন্দক ক্লাস টেন থাগদৌরিবনি। মখোয় মরি সাইকল অনীদা মেনকাগা দিঙ্কুগা, সোনিকাগা রিতাগা তোংলগা লাইরিক তম্বা চৎলি।

চানবীগী মচানুপী অতোনবী রিতানা হায়, 'নুমিৎ খুদিংগী ইচেচৌনা নুমিদাংৱাইরমদা লাইরিক তাকপী। তূম্বদি ইমাগা তূম্মী। ঐখোয় ইচেচৌগা ইমাগদু মীনা হাৎতোকখ্রে।'

চানবী অমসুং মেনকা হাৎখিবা অসিগা মরী লৈননা লমশাং পুলিসনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না কেস অসিগা মরী লৈননা মীওই খরা ফাবা, লৌখৎপদি লৈরে। অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মীহাৎ অসিগী মোটিব খঙদ্রি।

**জন্যুৱারী ২৯, ২০১০ ইং :-** ফয়েং চীং খুন্নৌ নোংগাবন্দা লৈবা মশাগী য়ূমদগী মমা মচাবু অহলনা ৱারী শানসি হায়না পুথোকখ্রগা শম্বা লৌবুক্তা তমথীনা হাৎতোকপীখিবা মীহাৎপশিং অদু লৈকায় অদুমক্তগী ওইরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা ফয়েংগী মীয়ামদা লৈরি। থা অসিগী ১২ অমসুং ১৩গী লোন্নবা অহিংদা ময়ূমদগী পুথোকখিবা মমা মচাদু ময়ূমদগী মিটর ৯০০ রোম লাপ্পা লৈবা শম্বা লৌবুক্তা শিরগা লৈরম্বদগী থা অসিগী ২৩গী অয়ূক পুং ৯.৩০ রোম তাবদা ফংখিবনি।

মীহাৎ অসিগী মতাংদা লমশাং পুলিসনা কেস অমা লৌখত্তুনা ইনভেষ্টিগেসন চথরি। পুলিসনা চথরিবা ইনভেষ্টিগেসন অসিগী মনুং চন্না লৈখিদ্রবা অঙোম ওংবী চানবী অমসুং মচানুপী অঙোম ইবেমচা এলিয়জ মেনকাগী শাগৈগী মচিন মনাওশিং য়াওনা মীওই তরুকলোম পুলিসনা ষ্টেটমেন্ট লৌখ্রে। লমশাং পুলিসকী ও সীনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না পুলিসনা চত্থরিবা ইনভেষ্টিগেসন অসিগী মতুংইন্না হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মীহাৎ অসিগী মতাংদা ক্লু ফংবা ঙমদ্রি। ক্লু ফংনবা হোৎনবা ওইনা তমথীরবা মীহাৎ অসি করি মোটিভতা চত্থখিবনো হায়বগী মতাংদা পুলিসনা কূপ্পা থিজিল্লি হায়না লমশাং পুলিসকী ও সীনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মীহাৎ অসিগী মতাংদা পেন্দ্রবা ফয়েংগী লৈকায় পুন্নমক্কী মীয়াম্না শরুক য়াদুনা ফয়েং সোরোক লৈকায়দা ৱাকৎ মীফম অমা ফমদুনা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমসু পাঙথোকখি। মীফম অদুদা ৱা ঙাঙখিবশিংনা মীহাৎ অদু লৈকায় অদুদা পুন্না লৈমিন্নবা ফত্তবা মীওইশিংনা চত্থবা মীহাৎ ওইরমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা ৱাফম ফোঙদোকখি।

মৈরা পায়বীশিংনা ফোঙদোরকপদা অঙোম চানবী অমসুং মহাককী মচানুপী অঙোম ইবেমচা এলিয়জ মেনকানা লৈরিবা ফয়েং চীং খুন্নৌ নোংগাবন্দদা খুন্নাইগী মায়োক্তা থবক তৌবা গেঙ খূৎপু অমা লৈ। অচৎ অওক্তগী শেল, অয়াওবা পোৎ চৈ মুনবা, পীদ্রগনা ফূবা চৈবগী থবক চত্থবা গেঙ খূৎপু অদু কনা কনানো হায়বা খঙদোক্লগা ৱাহং পাউহং চত্থবদা মীহাৎপা শোয়দনা পুথোকপা ঙমগনি হায়বা ৱাফম থম্লক্লি।

মমা মচা অনীমক তমথীনা ওৎ নৈবগা লোয়ননা রেপ তৌরগা হাৎপা ওইরম্বা য়াই হায়বগী থাজবসু লৈখিবনি। অমরোমদা পুলিসনা পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্ট ঙরাং লৌখৎখ্রে। রেপ তৌরগা হাৎপনি হায়বগী মতাংদদি পুলিসনা ফোঙদোকউ হায়বা য়াদ্রি।

ফয়েং সাবল লৈকায়দগী নিংথৌজম ওংবী মাইঙৌবীনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না থা অমরোমগী মমাঙদগী ফয়েং চীং খুন্নৌ লৈকায়দা গেঙ খূৎপু অমনা অচৎ অওকশিংদগী শেল, অয়াওবা পোৎ চৈ অমদি মোবাইলনচিংবা মুনবগী থবক চত্থবা লৈরে হায়বা ৱাফম থম্লক্লি।

থা অমরোমগী মমাঙদা তাইরেনপোকপীদা শীঙ থারুরগা হল্লকপা শক্তিমান অমদা ফয়েং চীং খুন্নৌদা মৈ তিক্তুনা লৈরম্বা গেঙ কাঙবু অমনা শক্তিমান অদু খাল্লগা লুপা লিশীং তরা পীনবা হায়বদা য়াদবদগী মীওই মঙা উপহল্লগা ফূখি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩০গী পাউখুম

১) ***"হুয়েল লানশোক লৈমাবী।।/পান্থোম খূৎশু শিঙথাঙমদমবী।।//থাঙহাই নোংথাং পান্দম্নবী।।/শঙাইশেল তাহুল পাইগুম্বী।।/উনবী শৌশা মাঙহনবী।।/শমু মাঙদা খাঙঙমদবী।।/লানফম কুম্মৈ য়েংগনবী।।"*** পীরিবা পরেং খরসি কনাবু শৈথাবা মীংখৈনো? ***:- লৈমরেল মিংখৈ (লা ৭, মিংখৈরোল মশীং ৩৬, ৩৭, ৩৯, ৪০, ৪১, ৪২); লৌথোকফম লাইরিক - লৈমরেল মিংখৈ (চাম্মনিপাল), খোমজিনবা - ওইনাম ভোগেশ্বর, অনীশুবা ফোঙবা, ১৯৯৪।***

২) **"চফূন কায়রবদি"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো ? ***:- অইবা জি সি তোংব্রা, দ্রামানি (লীলা মচা ৫গী অপূনবা লাইরিকনি); অহানবা খূৎনম মে ১৯৮৩ ইং।***

৩) **"নীংশিংলি লেপ্তনা তেংথারি য়মুনা;/নিল্লি লাউখোংলি থুগায়রি অচীকপা।/মতমগী খজাইদা শিন্থরি পিরাং মা;/ফোঙদোক্লি অৱাবা অতৎপা লৈতনা।।"** ময়াম্না পান্নবা ঈশৈ মতেকনি, শৈরেংবসি কনানো? ***:-শৈরেংবা শরত অরাম্বম; লৌথোরকফম লাইরিক - নুংশিবা ঈশৈগী কাউঙমদ্রবা সুর, (শেম শাবা বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা; অহানবা ফোঙবা সেপ্টেম্বর ৪, ২০১১।***

৪) ***"ওঁ বাসুদেব-মহাকাব্য (মীতৈরোলগী মহাকাব্য)"*** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো? ***:- অইবা - কলাচান্দ শাস্ত্রী; অহানবা ফোঙবা ও কে ষ্টোর, ইম্ফাল ১৯৯৬।***

৫) ***"মোহন দাস"*** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো? ***:- ওরিজিনেল লাইরিক্কী অইবা - উদয় প্রকাশ; লাইরিক মমিং - 'মোহন দাস'; মমিং অসিমক্তদা মণিপুরীদা হন্দোকপা - ডা. রাজকুমার মোবী সিংহ; অহানবা ফোঙবা - দিসেম্বর ২০১৫।***